# দুরান্দ কপ : সুদেভা দেল্লী অমদি কেরলা ব্লাষ্টর্স দ্রো ওইখ্রে; দিফেন্দিং চেম্পিয়ন এফ সী গোৱানা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স থোইখ্রে



গুৱাহাটি, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ন ওইল দুরান্দ কপকী ১৩১শুবা ইদিসনগী ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতা গুৱাহাটিগী ইন্দিরা গান্ধী এথলেটিক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচ অমদা সুদেভা দেল্লী ফুটবোল ক্লব অমদি কেরলা ব্লাষ্টর্স ফুটবোল ক্লব ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

অতোপ্পা কোলকাটাগী কিশোর ভারাতি ক্রিরঙ্গনদা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন এফ সী গোৱানা ওপনিং মেটচতা মায়থীখ্রবা মতুং ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সপু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

সুদেভা দেল্লী এফ সী অমদি কেরলা ব্লাষ্টর্স এফসী অনীনা শান্নখিবা মেটচতা শান্নবা হৌরকপদগী টিম অনীনা লম্বা মান্ননা শান্নদুনা গোল চন্নবা ঙমদনা লাকখিবা অদু অহানবা হাফ লোইরমদাই কেরলা ব্লাষ্টর্সকী দিফেন্দরনা শাংনা কাওখৎলকপা বোল অমা মোহমদ অজসালনা ১৮ য়ার্দ বোক্স মমাংদা নীংথিনা ফারবা মতুং শাফূ কন্না কাওশিল্লকখিবা বোল অমা নেট শোক্তুনা শান্নবগী ৪২ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা সুদেভা দেল্লীগী বাসিটনা লংশিল্লকপা আউট থ্রো অমগী মতেংদগী সৈমিনমাং মনচোংনা গোল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনবা ঙমখি।

মখা তাবা টিম অনীনা অনীশুবা হাফকী শান্নবদা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা ফংনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্মদবদগী ১-১দা দ্রো ওইখি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা সুদেভা দেল্লীগী মরুওইবা গোল চনখিবা সৈমিনমাং মনচোং অমদি গোল এসিষ্ট তৌখিবা বাসিট অহমদ শান্নবগী ৭৯ অমদি ৮৫ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি। রেফরিনা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী তেজাস কৃষ্ণ অমদি মহমদ জাসিনবুসু শান্নবগী ৩৭ অমদি ৭০ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখিবনি।

অমরোমদা, কোলকাটাগী কিশোর ভারাতি ক্রিরঙ্গনদা এফ সী গোৱা অমদি ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স অনীনা শান্নখিবা মেটচতা মোহমেদ নেমিল ভালিয়াটিলনা শান্নবা হৌরকপগী ৮শুবা মিনটতা এফ সী গোৱাগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু চনবা ঙমখি।

মেটচ লোইরমদাই মিনট ১০ ৱাৎলিঙৈদা এয়র ফোর্সকী গোল হন্দোকপা য়াবা তাঞ্জা অমা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা প্রভজোটনা কাওরকখিবা ফ্রী কিক অমা গোৱাগী কিপর রিথিক টিৱারিনা নিংথিনা ফাদুনা অরেম্বা তাহনখি।

# মণিপুর ষ্টেট লীগ ঙসিদগী হৌরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমুকচম ইঙোচা মেমোরিএল ১৫শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২২-২৩ টিম ১৯না গ্রুপ অনী থোক্তুনা শরুক য়াদুনা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা থাংজ নুমিৎতগী হৌরগনি।

লীগ অসিগী অহৌবা মেটচতা গ্রুপ এগী য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন (ৱাই পি ঐচ য়ু) ললাম্বুং অমদি য়ারখোক য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লব (ৱাই য়ু এফ সী) উখুল অনীনা নুংথিল পুং ১.৩০দা লম্বা তৌনরগনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা ৱাঙ্খেগী এম এল এ টি ঐচ অরুনকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন, থাংমৈবন্দগী এম এল এ কে ঐচ জয়কিষননা থৌরম মপূ অদুগা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী লিগেল এদভাইজর এম দেবানন্দ অমদি অম্ফাগী ভাইস প্রসিদেন্ট দি বি কোৱরনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াগনি।

অমরোমদা, লীগ অসিগী কন্দক্ট তৌনবগীদমক ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা মেটচ ওফিসল ৫৪ খনখ্রে।

খনগৎলবা ওফিসলশিং অদুদি মেটচ কম্মিস্নরদা ঐচ খম্বা, এস জেমসকুমার, থার্চুং চারা, এস রামেশ্বর, সী ঐচ ওমিলা চনু অমদি এল অজিৎকুমার মীতৈনি।

রেফরি এসেসরদা আই রবিচন্দ্র, এম মাঘো, এল তরুনকুমার, আই জয়কুমার অমদি সী ঐচ কৈল্যানী চনুনি।

রেফরি ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী কেনেদি সাপম, পি ঐচ লন্থোইবা, এন ইবুংঙো, এল রোপেন্দ্রো, টি প্রেমজিৎ, ৱাই হেমন্ত, কে অজিৎকুমার, এল রাজা; ইম্ফাল ৱেষ্টকী টি হেমন্ত, এন জি অনন্দ, টি ঐচ রোবিন, এ শাফবা, এল হরিমোহোন; থৌবালগী এল প্রিয়োবর্তা, আই রোজিৎ, আর কে অঙৌসনা, টি রঞ্জিতা, এম রোশনী, ঈ দেবলা, এস ঐচ রোবিন্সন, এল সনাতোম্বা; ককচীংগী টি ঐচ অরুনকুমার, সী ঐচ সেমসন, টি ঐচ পর্শুরাম; চান্দেলগী থুল্লি জয়সিং, এল ঐচ থাংনারিং ঐচ এল অটলি; মোইরাংগী এম দি অমির খান; উখুলগী হোরামলভজয়, মাচুক কসুং, আর মথোটমি; সাদর হিলসকী সৈলেনমাং সিটলৌ; সেনাপটিগী এল সেপৌ, মরাইবা ন্যুমৈ, রুবৈলানা; বিষ্ণুপুরগী য়ুলুং লুংশু, এল অশানন্দ; লোংপীগী ঙমমিনহাও হাওকিপ, এলভিশ তাওথাং; চুড়াচান্দপুরগী পাওলিয়নমাং হাওকিপ, লেটমিনলাল হাওকিপ; মাওগী এ কাপ্পা অমদি সাইকুলগী ঙম্বোইচোন হাওকিপনি।

## এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

# য়ু সী সীনা আই বি এস এ থোইদুনা ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচ এন এস):
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথুরিবা ৬শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেল মেটচতা উরিপোক ক্রিকেট ক্লব (য়ু সী সী) উরিপোক খাইদেম লৈকাইনা ইন্দো বর্মা রোদ স্পোর্টিং এসোসিএসন (আই বি এস এ) শীংজমৈ য়ুম্নাম লৈকাইবু রন ৪৪দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা আই বি এস এনা টোস ঙমদুনা অহানবা ফিল্ডিং খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা য়ু সী সী উরিপোকনা অপীবা ওভর ৩০দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৫২ লৌবা ঙমখি।

রোশন দাসনা বোল ৬৮দা রন ৬২ লৌদুনা টিমগী খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবা শান্নরোয় ওইখি। সগোলশেম নেলসননা বোল ৫০দা রন ২৬, শ্যামকুমার রেনা বোল ১৭তা রন ২০ অমদি কোন্সম গুলসননা বোল ২১দা রন ১৪ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অদুদা শীংজমৈগী বোলর করন প্রজপতিনা ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ৩, রাজকুমার প্রিতম কুমার অমদি দিলহেমলুং গোলমৈনা ওভর ৬/৬ লংবদা ৱিকেট ২ অমদি ১ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা আই বি এস এনা অপীবা ওভর লোইগদবা বোল ১ ৱাৎলিঙৈদা ওল আউট ওইদুনা অপীবা টার্গেট য়ৌবা ঙমদনা রন ১০৮ লৌদুনা উরিপোক টিমগী মখূৎতা রন ৪৪দা মায়থীহৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসকী শীংজমৈগী বেটিং তৌবদা রাজাবাবুনা বোল ৫৯দা রন ৪৪, মোইরাংথেম সুনন্দনা বোল ৩৩দা রন ২৩ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অদুদা উরিপোক্কী বোলর থোকচোম য়োহেনবনা ওভর ৬তা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখি অদুগা দাইমন্দ মোইরাংথেমনা ওভর ২.৫দা ৱিকেট ২ লৌখি।

লোইশিল্লকপদা উরিপোক্কী রোশন দাসনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমীফাইনেল থাংজ নুমিৎতা সিটিজন দিভলপমেন্ট কম্মিটি (সী দি সী) সগোলবন্দ অমদি ক্ষেত্রিগাও ইরিল মপাল য়ুঠ ক্লব (কে আই ৱাই সী) অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

# ভাইচুং নোমিনেসন ফাইল তৌখ্রে



ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)কী মীখল পাঙথোক্নদৌরিবা অসিগী প্রসিদেন্ট পোষ্টকীদমক লিজেন্দরি ভাইচুং ভুটিয়া ইরাই নুমিৎতা নোমিনেসন ফাইল তৌখ্রে।

ফোর্মর কেপ্টেন ভুটিয়াগী প্রপোজনা মহাক্কী ৱান টাইম নেসনল টিমমেট দিপক মোন্দাল অমদি সেকেন্দদা মধু কুমারীনা তৌখি।

সুপ্রিম কোর্টনা অয়াবা পীরকপদগী ইমিনেন্ট প্লেয়রশিংগী মহুৎ শীন্দুনা নোমিনেসন ফাইল তৌখিবনি হায়না ভুটিয়ানা পি টি আইদা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, প্রসিদেন্ট পোষ্ট অসিগীদমক ফুটবোল দেল্লীগী প্রসিদেন্ট শাজি প্রভাকরননসু নোমিনেসন ফাইল তৌখি।

## ১৩শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স লীগ

# ক্রিপসা অমদি ঈ এস য়ু, য়ু পি এস এ অমদি এম পি এস সী দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) না শীন্দুনা চথুরিবা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগকী ক্বালিফায়িং রাউন্দ ওইরিবা ১৩শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ২০২২-২৩ ঙসি লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুনাইটেদ পুখাও স্পোর্টস এসোসিএসন (য়ু পি এস এ) অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী) ২-২দা দ্রো ওইখ্রে।

পুলিস টিমগী থাংজম কৈন্যকুমারী চনুনা শান্নবা হৌরকপগী ৩শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং য়ু পি এস এগী টিম কেপ্টেন অসেম রোজানা শান্নবগী ২৪ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ১-১দা লৈহনখি।

টিম অনীনা স্কোর মান্নরবা মতুং থাংজম কৈন্যকুমারীনা শান্নবগী ৪২ শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখিবগা লোয়ননা পুখাও টিমবু ২-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা পুখাওগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবা অকনবা মওংদা এটেক কয়া চথুখি। লিংনৈলম কিপজেননা শান্নবগী ৬৬ শুবা মিনটতা অমুক হন্না ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা ২-২দা দ্রো ওইখি।

মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা রেফরিনা পুখাওগী থিংবাইজম বেবিসনাবু অনস্পোর্টিং বিহেবিয়রগী য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

অমরোমদা, চপ মান্নবা মফমদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কাংচুপ রোদ য়ং ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস এসোসিএসন (ক্রিপসা) নাওরেমথোং অমদি ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ঈ এস য়ু) ৱাঙ্খে গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি।

মেটচ অসিদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা ফংনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্মখিদে। মেটচ অসিদা রেফরি য়ুলুং লুংসুনা ক্রিপসাগী বিজয়া লাইশ্রমবু শান্নবগী ৭৪ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখিবনি।

# ইনভাইটেসন জিম্নাষ্টিক্স চেম্পিয়নশিপ হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক্স এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা মণিপুর জিম্নাষ্ট পেরেন্ট এসোসিএসননা শীন্দুনা নুমিৎ নীনি চথুগদবা ৩শুবা ইনভাইটেসন জিম্নাষ্টিক্স চেম্পিয়নশিপ ২০২২ ঙসি খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসি ষ্টেটকী জিম্নাষ্ট অরিবম হরিপিয়ারীনা ওথ লৌদুনা হৌদোকখি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা মেঘলায়াগী টিম য়াওনা জিম্নাষ্ট ৮০না শরুক য়ারি।

হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর লৈঙাক্কী য়ুঠ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্টস (য়াস)কী দিরেক্টর টি ফুলেন মৈতৈনা অথোইবা মীথুংলেন, স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী হান্নগী দিরেক্টর ওইরম্বা ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক্স এসোসিএসন (এ এম জি এ)গী প্রসিদেন্ট এল টিকেননা থৌরম মপূ অদুগা য়ুঠ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী ট্রেনিং এন্দ কোচিংগী দেপ্যুটি দিরেক্টর টি থৌবা, জিম্নাষ্টিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (জি এফ আই)গী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. এস শান্তি অমদি ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক্স এসোসিএসন (এ এম জি এ)গী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. এন বিনাবোননা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# সাউথ এসিয়ন গেমসতা শরুক য়াগদবা ষ্টেট টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচ এন এস):
ভুটানগী য়ুঠ স্পোর্টস সেন্টরদা থা অসিগী ২০ অমদি ২১দা পাঙথোক্নদৌরিবা সাউথ এসিয়ন ওল স্পোর্টস গেমস চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াগদবা শান্নরোয় নুপী ১৭, নুপা ১৮ অমদি ওফিসলশিং য়াওবা মণিপুরগী টিম ঙসি শীংজমৈ চীংঙা মথক্তা লৈবা য়ং লর্নরস ক্লবতগী লমথাদুনা ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেটকী শান্নরোয়শিংনা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিন মরি- কুংফু, কারাটে, কিক বোক্সিং অমদি বেল্ট রেষ্টলিং শরুক য়াগনি। ইন্দিয়া টিম অসিগী কোচ ওইনা সাউথ এসিয়ন ওল স্পোর্টস গেমস ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি কম টেক্নিকেল দিরেক্টর শীংজমৈ চীংঙামথক্তগী গ্রান্দমাষ্টর এন জি জিট খুমনচানা শরুক য়াগনি।

লমথাবগী থৌরম অদুদা চীংঙা মথক য়ং লর্নরস ক্লবকী চেয়রমেন মাইবম চিত্তরঞ্জন, এদভাইজর কোঞ্জেংবম চিংখাম, কনভিনর অচোম প্রেমজিৎ, আই এম সী ৱার্দ নম্বর ১৫গী কোর্পোরেটর থোকচোম বনকিমচন্দ্র, চিংঙামথক ৱার্দ নম্বর ১৫গী মেম্বর অচোম সঞ্জয়, ৪শুবা এ আরগী কম্পেনি সেকেন্দ কম্মান্দর জনক থাপা অমদি ক্রিদাগী সেক্রেটরি কে মেমীনা শরুক য়াখি।

## সিনিয়র নেসনল জুদো : মণিপুরনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন তাখ্রে, ইনুংঙানবীনা বেষ্ট ফাইটরগী মনা ফংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচ এন এস):
উত্তর প্রদেশনা য়ূম্বু ওইদুনা লক্ষ্নৌদা থা অসিগী ১৬তগী হৌদুনা চথুরকপা সিনিয়র নেসনল জুদো চেম্পিয়নশিপ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা মণিপুরনা গোল্ড ৩, সিলভর ২ অমদি ব্রোঞ্জ ১ পুন্না মেদল ৬ ফংদুনা ওভরওল টিম চেম্পিয়নগী মনা ফংবা ঙমখ্রে।

জুদোকা টি ইনুংঙানবীনা নুপীগী কেজি ৭০ মখাগী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল ফংখিবগা লোয়ননা বেষ্ট ফাইটরগী মনা ফংবা ঙমখ্রে।



ঐচ শুনিবালা অমদি টি ইন্দুবালা অনীসু নুপীগী কেজি ৬৩ অমদি ৭৮ মখাগী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদলশিং ফংবা ঙমখি।

এল রোশনীনা নুপীগী কেজি ৭৮ মথক অমদি কে বিশালনা নুপাগী কেজি ৭৬ মখাগী কাঙলূপ্তা সিলভর মেদলশিং ফংবা ঙমখি অদুগা এল নুংশিথোইনা নুপাগী কেজি ৫৩ মখাগী কাঙলূপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ১ ফংবা ঙমখিবনি।

ষ্টেট টিম অসিগী মেনেজর ওইনা টি ঐচ বিজয় অদুগা নুপীগী কোচ ওইনা এল দিনিট অদুগা নুপাগী কোচ ওইনা ও রাশেশ্বরীনা শরুক য়াখি।

# স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা ফিফা, এ এফ সীদা হায়জখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)পু থিংজিল্লিঙৈ চৈরক অসিদা ইন্দিয়ন ফুটবোল ক্লব অনী শ্রী গোকুলম কেরলা এফ সী অমদি এ টি কে মোহন বগানননা এ এফ সী টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াবা য়াহন্নবা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা ৱর্ল্ড ফুটবোল গভর্নিং বোদি ফিফা অমদি এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন (এ এফ সী)দা হায়জখ্রে।

ফিফানা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা এ আই এফ এফপু সস্পেন্দ তৌরকপদগী ইন্দিয়াগী ফুটবোলগী এক্টিভিটিদা চরাংনবা অমা থোকখিবনি। গোকুলম কেরলাগী নুপীগী টিমসু মখোয়গী অনীরকশুবা ওইনা এ এফ সী ৱিমেন্স ক্লব চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ানবা হান্ননা উজবেকিষ্টানদা থুংদুনা লৈখ্রবনি। ৱিমেন টিম অসিনা থা অসিগী ২৩দা ইরানগা অমদি ২৬তা হোষ্ট টিমগা থেংননবা মতম লেপ্তুনা লৈখ্রবনি।

এ টি কে মোহন বগানসু সেপ্টেম্বর ৭তা বাহরেনদা এ এফ সী কপ ২০২২গী ইন্টর-জোন সেমীফাইনেল শান্ননবা মতম লেপ্তুনা লৈখ্রবনি। নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংগী ইন্টরেষ্টতা ফিফা অমদি এ এফ সীদা শান্নবা য়াহন্নবা হায়জখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অমনা হায়রি।

ESCENT INSTITUTE
of Paramedical Sciences & Skill Development
ADMISSION OPEN FOR PARAMEDICAL COURSES
AVAILABLE COURSES
MEDICAL LABORATORY TECHNOLOGY (B.Sc. MLT / DMLT)
RADIO IMAGING TECHNOLOGY (B.Sc. RIT / DRIT)
OPHTHALMIC TECHNOLOGY (DOpT)
PHYSIOTHERAPY (DPT)
AFFILIATED WITH Manipur University & Paramedical Council of India
Ample JOB OPPORTUNITIES in reputed hospitals and laboratories for a SUCCESSFUL CAREER.
Career ready courses with hands-on experience in an NABL accredited laboratory with the latest facilities.
All courses include IN-HOUSE INTERNSHIP PROGRAM and IN-HOUSE PRACTICALS FACILITIES.
HEAD OFFICE Nongmeibung Purana Rajbari, Imphal East, Manipur 795005
INSTITUTE Sangaiprou, Airport Road, Imphal West, Manipur 795001
+91 8770 412 916 +91 9774 677 371
+91 9862 619 063 +91 9678 775 752
www.escentinstitute.com
HL-P/3658/12/8-12/9


# ককচীং দিষ্ট্রিক্ট যোগসনা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচ এন এস):
মণিপুর যোগসনা স্পোর্টস এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট যোগসনা স্পোর্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা অহানবা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট যোগসনা চেম্পিয়নশিপ ২০২২ থা অসিগী ২৮দা ককচীংগী ৱাই এম হায় স্কুল মনাক্তা লৈবা সেন্ট্রেল পব্লিক হোলদা অয়ূক পুং ৭তগী হৌদুনা পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসি নেসনল যোগসনা স্পোর্টস ফেদরেসনগী গাইদলাইন মখাদা নুপা অমদি নুপীগী তোঙান-তোঙানবা চহী কাঙলূপ সব-জুনিয়র, জুনিয়র অমদি সিনিয়র খায়দোক্তুনা পাঙথোক্কদবনি।

মখা তাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক ককচীং চুম্নাং লৈকাইদা লৈবা এসোসিএসনগী ওফিসতগী খঙলবা য়ারগনি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 548**

**M Heinsohn (1952) - Grzegorz Krawiec (1760)**
**Wroclaw Open A 2022 Wroclaw POL, 2022.07.31**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 e6 | 3.g3 Bb4+ | 4.Bd2 a5 |
| 5.Bg2 O-O | 6.Nf3 d5 | 7.O-O dxc4 | 8.Qc2 Nc6 |
| 9.Rd1 Bxd2 | 10.Rxd2 Nb4 | 11.Qxc4 Ne4 | 12.Rd1 b6 |
| 13.Qc1 Ra7 | 14.Nc3 Nxc3 | 15.bxc3 Nd5 | 16.c4 Nf6 |
| 17.Ne5 Bb7 | 18.Nc6 Bxc6 | 19.Bxc6 Qd6 | 20.Bg2 c5 |
| 21.d5 exd5 | 22.cxd5 Re7 | 23.Qc4 Rfe8 | 24.e3 Rb8 |
| 25.Rab1 Nd7 | 26.Qb5 Ne5 | 27.e4 f6 | 28.Rd2 g5 |
| 29.Rdb2 g4 | 30.Qe2 h5 | 31.Rb5 f5 | 32.f4 gxf3 |
| 33.Bxf3 Nxf3+ | 34.Qxf3 fxe4 | 35.Qxh5 Re5 | 36.Qg4+ Kh8 |
| 37.Rf1 e3 | 38. ... | | |

**QUESTION :**
**White to checkmate**

**Puzzle 547 Ans. :**
26. Bf6 The white bishop clears the way for White's queen to the square h6. Bxf6 27. Qh6 Qxd5
28. Rh8+ Bxh8 29. Qxh8# Damiano's rook mate
1-0

MTA MANGAL
COMPLETE STOCK TRADING COURSE
FOR BEGINNER
Join Next Batch
Mode : Online , Apps : Zoom HD
Fees:- Rs.2000/- only
Timing : 8.15am to 9.30am
Duration :- 15 Days
Starts From 29.08.2022
Never invest in a business you cannot understand
MANGAL TRADING ACADEMY
KAKWA LILANDO LAMPAK
IMPHAL - MANIPUR
Call or Whatsapp for More Information
+91-7005851073
HL-P/3689/17,18,20,21,23,25,27,28

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com